# পাকিস্থানদা নোং চুবা লেপ্তুবদগী অমাঙ অতা কয়া থোক্লে, মীওই ২৮২ শিখ্রে, ২০০ হেন্না অশোক অপন নঙলে



ইস্লামাবাদ, জুলাই ২২ (এজেন্সী): পাকিস্থানদা নোং লেপ্তুনা হৈথবদগী জুন ২৪ দগী লৈবাক অসিদা নোংগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮২ শিখ্রে অমসুং অতৈ মীওই ২১১ অশোক অপন নঙলে হায়না নেসনেল দিজাষ্টর মেনেজ মেন্ট ওথোরিটি (এনদিএমএ) না হায়রি।

শগোলশেল নুমিত্তা থাদোরকপা নোং কন্না চুবদগী লৈবাক অদুদা হৌজিক লৈরিবা ফিভমশিংগী মতাংদা পীবা রিপোর্টতা এনদিএমএনা হায়, শিখিবা মীওইশিংদুগী মনুংদা পুন্না নুপী ১৬০ য়াওই। নোং লেপ্তুবা চুবা অসিনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পুন্না মীওই ৫৫০০ হেন্না অমাঙ অতা থোকহনখ্রে। থোং অমসুং বিজিনেস ষ্টাব্লিসমেন্ট কয়াসু মাঙ তাকখ্রে।

নোং চুবগা মরী লৈনবা অমাঙ অতাশিং অমসুং মীশি মীনা অয়াম্বা লৈবাক অসিগী খা নোংচুপ থংবা বেলোচিষ্টান প্রোভিন্সতা থোকখি। প্রোভিন্স অসিদা কুমগী অকনবা নোংজুনা মরম ওইদুনা মীওই ৮২ শিখি অতৈ ৬২ অশোক অপন নঙখি।

হন্দক্কী কুমগী নোংদা প্রোভিন্স অসিগী মফম কয়াদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাও থোরকখি। এনদিএমএগী মতুং ইন্না বেলোচিষ্টানগী মতুংদা খা থংবা সিন্দ প্রোভিন্সনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা লৈবাক অসিগী অনীশুবা প্রোভিন্স ওইরি। প্রোভিন্স অসিদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৬৭ শিখ্রে।

এনদিএমএনা মখা তানা হায়, ইষ্ট পঞ্জাব প্রোভিন্সতা কুমগী নোং লেপ্তুবনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫৭ শিখ্রে, অৱাং নোংচুপ থংবা খাইবর পাক্তুনখুৱা প্রোভিন্সতনা মীওই ৫৬ শিখ্রে অমসুং লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা হন্দক্কী নোংজু অসিদা মীওই ১৪ শিখ্রে।

এনদিএমএনা হায়রি, মদুদি রেস্ক্যু অমসুং রিলিফকী থবকশিং লেপ্তুনা চথুরি। এজেন্সি অসিনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা নোং অমসুং ঈশিং ঈচাওগী ভিক্তিমশিংদা ফুদ পেকশিং, কিটচন সেটশিং, মোস্কিটো নেটশিং, হাইজিন কিটশিং, ব্লাঙ্কেটশিং অমসুং টর্পোলিনশিং পীদুনা লাক্লি।

চৈরকসিদা চৎলিবা চয়োল অসিদা কুমগী নোং মখা তানা কন্না চুখিগনি হায়রদুনা পাকিস্থানি মেটরিওলোজি দিপার্টমেন্টনা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদসু মখা তানা নোং চুথখিগনি হায়না ফোরকাষ্ট তৌখ্রে।

ৱেদর ওফিস অসিনা নোং লেপ্তুনা অমসুং কন্না চুরিবদুনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি কয়াদা ঈশিং থুম্বা য়াবগী ফিভম লৈবনা মরী লৈনবা ওথোরিটি পুম্নমক্তা মখা তানা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈননবা খঙহনখ্রে।

ওফিস অসিনা লৈবাক অদুগী অৱাং থংবা লমদমদা মফম কয়াদা লেন্দ স্লাইদশিং থোরকপা য়াই হায়নসু ৱার্নিং তৌখ্রে।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না গ্লেসিয়র লিশিং তরেৎ হেন্না লৈরিবা পাকিস্থানগী অৱাং থংবা লমদমদা শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মফম কয়াদা খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাওগী থৌদোকশিং তোইনা হেনগৎলক্লি।

কুমগী নোং অমদি গ্লেসিয়রশিং শৌদোরকপদগী অমাঙ অতা কয়া তোইনা থোকপা অসিনা হৌখিবা চহী কয়া অসিদা পাকিস্থানগী লমদম অসিগী লৌউ শিংউগী মপান তাংদুনা লৈবা মীওই লিশিং কয়াগী হিংনবগী লম্বীদা অকিবা চাওনা পীদুনা লাক্লি।

পাকিস্থানগী প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফনা ঈশিং ঈচাওগী ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংদা পাকিস্থান রুপিস মিলিয়ন অমগী কম্পেন্সেসন পীরগনি হায়না জুলাই ১৫ দা লাউথোকখ্রবনি।

# দিফেন্স হ্বাইট পেপরদা জপাননা মখা তানা দোগদো ইথৎশিং ক্লেম তৌবদা সাউথ কোরিয়ানা য়ানিংদবা উৎখ্রে



সিওল, জুলাই ২২ (এজেন্সী): জপানগী চহী ওইবা দিফেন্স হ্বাইট পেপরদা খা ইথং থংবা দোগদোগী ইথৎশিংবু লৈবাক অসিনা হঞ্জিন হঞ্জিন্না ক্লেম তৌবগী থৌওংবু সাউথ কোরিয়ন গভর্ণমেন্টনা ইরাই নুমিত্তা কন্দেম তৌখ্রে।

সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্স পার্সন চোই য়ং-সামনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি হিষ্ট্রি, জিওগ্রাফি অমসুং ইন্টরনেসনেল লোদা য়েংবদা তৎন থানবা য়াদ্রবা কোরিয়াগী লমগী শরুক ওইরিবা দোগদোগা মরী লৈননা জপাননা হঞ্জিন হঞ্জিন্না সোভরেন্টি ক্লেম তৌরিবসি সাউথ কোরিয়াগী গভর্ণমেন্টনা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌই। গভর্ণমেন্ট অসিনা অসিগুম্বা ক্লেম খুদক্তা লেপ্পনবা জপানিস গভর্ণমেন্টদা হায়রি।

অসিগুম্বা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী শাগৎনবা হোৎনরিবশিং অসিবু অরেম্বা তাহনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। জপানগী চহীগী ওইবা দিফেন্স হ্বাইট পেপর অদু লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টর নোবো কিসিনা কেবিনেটতা রিপোর্ট তৌখিবা মতুংদা ইস্যু তৌখিবনি। দোক্যুমেন্ট অদুদা ইথৎশিং অদুবু মখা তানা ক্লেম তৌরিবদু থারগা টোকিওনা ইথৎ অদুগা মরী লৈননা সোভরেন্টি ক্লেম তৌবসি থংন থংননা চহী ১৮ শুরে।

য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুংইন্না সিওলদা ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা জপানিস এম্বেসিদা পোলিটিকেল এফিয়র্সকী মিনিষ্টর ওইনা লৈরিবা মাকাটো হয়াসিবু কৌখৎখি অমসুং টোকিওদা পীবা ফোর্মেল প্রোটেষ্ট মেসেজ অমা দেলিভর তৌখি। তোঙানবা প্রোটেষ্টতা সিওলগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা এম্বেসি অদুদা লৈরিবা জপানগী দিফেন্স এটাচি অমা ওইরিবা টকাও নাগাসিমাবু কৌখৎতুনা জপানিস গভর্ণমেন্টগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা উৎখি। পেপর অদু সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর পাক জিননা টোকিওদা খোঙচৎ অমা চৎতুনা জপানগী মহাক্কী লেঙমান্নবগা ৱারী শান্নখিবা মতুং শুপ্পগী নুমিৎ খরনিগী মনুংদা ফোঙখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলনা লৈবাক অনীগী মরক্তা পুৱারীগা মরী লৈননা লৈরিবা য়েৎনবা ৱাফম কয়া লৈখায় তান্ননবা হোৎনবা পাম্মী হায়বদু উৎলি হায়না সিওলনা ফোঙদোকখিবনি।

# দিনেস গুনা ৱার্দেনা শ্রী লঙ্কাগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



কলম্বো, জুলাই ২২ (এজেন্সী): শ্রী লঙ্কাগী প্রাইম মিনিষ্টর খল্লবা ভেটরান পোলিটিসিয়ান দিনেস গুনা ৱার্দেনা ইরাই নুমিত্তা অতৈ কেবিনেট মিনিষ্টর ১৭ কা লোয়ননা ৱাশক লৌখ্রে।

শ্রী লঙ্কা পোদুজানা পেরামুনা (এসএলপিপি) পার্টিগী পার্লিয়ামেন টরিয়ন গুনা ৱার্দেনা কেপিটেল কলম্বোদা অতৈ সেনিয়র লেজি সলেটরশিংগী মমাঙদা প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা ৱাশক-হনখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর গুনা ৱার্দেনানা অহেনবা চার্জ ওইনা পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসন, হোম এফিয়র্স, প্রোভিন্সিএল কাউন্সিল অমসুং লোকেল গভর্ণমেন্টসু পায়রগনি।

ৱাশক লৌখিবা অতৈ মিনিষ্টরশিংদুগী মনুংদা দোগ্লাস দেবানন্দ (ফিসরিজ), সুসিল প্রেমাজ য়ন্থা (এদুকেসন), পন্দুলা গুনা ৱার্দেনা (ট্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ এন্দ মেদিয়া), কেহেলিয়া রম্বুকৱালা (হেল্‌থ এন্দ ৱাটর সপ্লাই), মহিন্দ অমরা ৱিরা (এগ্রিকলচরেল ৱাইল্ড লাইফ এন্দ ফোরেষ্ট কঞ্জার্ভেসন), ৱিজেয়া দরা রজাপক্সে (জষ্টিস, প্রিজন্স এন্দ কন্সটিট্যুস্নেল রিফোর্মস), হরিন ফর্নান্দো (টুরিজম এন্দ লেন্দ), রামেস পথিরানা (প্লানেটসন এন্দ ইন্দষ্ট্রিস), প্রসনা রনাতুঙ্গা (অর্বান দিভলপমেন্ট এন্দ হাউজিং) অমসুং অলি সাব্রি (এক্সটর্নেল এফিয়ার্স) য়াওখি।

ৱিক্রেমেসিঙ্গে য়ুমশকৈশ নুমিত্তা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টদা ভোট লৌদুনা অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনখিবনি অমসুং শগোলশেল নুমিত্তা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখি। য়ুমশকৈশ নুমিৎকী ভোটতা ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা পুন্না ভোট ১৩৪ ফংখি।

পার্লিয়ামেন্টদা অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্নবা ভোট থাদনখিবা অদুদা হৌখিবা চয়োলদা প্রসিদেন্সি অদুদগী রিজাইন তৌখ্রবা গোটবয়া রাজাপক্সাগী পার্টিগী লো মেক্করশিংনা ৱিক্রেমেসিঙ্গেবু শৌগৎখিবনি।

## মঙ্কিপোক্সকী ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে

লিস্বোন, জুলাই ২২ (এজেন্সী): পোর্টুগালনা মঙ্কিপোক্স ভাইরসকী ইনফেক্সন লৈরে হায়না কনফার্ম তৌরবা মীওইশিংগা শোক্ন-শম্নখিবা মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পা হৌরে হায়না পোর্টুগিস দিরেক্তরেট জেনরেল ওফ হেল্‌থ (দিসিএস) না ফোঙদোরক্লি। লৈবাক অসিদা হৌখিবা মে ৩ দা অহানবা কেস রিপোর্ট তৌখিবদগী শগোলশেল নুমিৎ ফাওবদা মঙ্কিপোক্সকী অপুনবা কেস ৫৮৮ কনফার্ম তৌরে হায়না পোর্টুগিস হেল্‌থ ওথোরিটিনা শগোলশেল নুমিত্তা লাউথোকখি। কেসশিং অদুগী মনুংদা হৌখিবা চয়োলদা পুন্না কেস ৭৩ দিটেক্ট তৌখি।

দিজিএসনা মখা তানা হায়, পোর্টুগালগী তোঙান তোঙানবা লমদমশিংদা ইলিজিবল কন্টেক্টশিং মখা তানা মশক খঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথুরি। লায়না অসিগী মরু ওইবা লাইওংশিংগী মনুংদা লাইহৌ হৌবা, কোক কন্না চিকপা, মসল নাবা, য়াংলেন নাবা, চোকথবা, লিম্প নোদশিং চাওথোকপা অমদি মমৈথংদা উনশাদা ঙাংলৈননা মচেৎ মচেৎ খাল্লকপা অসি য়াওরি।

# নেন্সি পেলোসিগী খোঙচৎ মাঙওইননা চাইনানা টাইৱানগী নোংথক্তা নো-ফ্লাই জোন লাউথোরকপা য়াই



ৱাশিংতন, জুলাই ২২ (এজেন্সী): হাউসকী স্পিকর নেন্সি পেলোসিনা টাইৱানদা চৎকদৌরিবা খোঙচৎ অমগী মাঙওইননা চাইনানা ইথৎ অসিগী নোংথক্তা নো ফ্লাই জোন লাউথোরকপা য়াই হায়না বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসলশিংনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। সিএনএনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না পেলোসিগী টাইৱান খোঙচৎ অদুনা লমদম অদুদা লৈরিবা উংখৎনবা ফিভম মখা তানা হেনগৎহল্লকপা য়াই।

হ্বাইট হাউসকী ওফিসল অমনা হায়, হাউস স্পিকর নেন্সি পেলোসিগী খোঙচৎ অদুগী পাউখুম ওইনা চাইনানা টাইৱানগী মশানা লাউথোকচখিবা এয়র দিফেন্স জোনদা ফাইটর জেট কয়াসু থাজিল্লকপা য়াই।

অমরোমদা, মদুগী রেস্পোন্স ওইনা টাইৱান অমসুং য়ুএসনসু চাইনাগী থৌওং অদুগী মায়োক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎলকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং করম্বা মওংগী রেস্পোন্স ওইগদগে হায়বদুদি ওফিসল অসিনা চপ চানা পনখিদে।

হৌখিবা থা খরা অসিদা চাইনানা টাইৱানগী মশানা লাউথোকচখিবা এয়র দিফেন্স জোনদা ৱার প্লেন কয়া হঞ্জিন হঞ্জিন্না থাবা থৌদোকশিং লৈখ্রবনি। চাইনাগী থৌওং অদুনা ইন্টরনেসনেল লো ভাইওলেট তৌবা লৈত্রবসু মদুনা টাইৱানবু করিগুম্বা মতমদা ফাইটর জেট কয়া খুদক্তা পায়হনবা য়াওনা মশা ঙাকথোকচনবা চেকশিন থৌরাং কয়া নমদুনা লৌখৎহল্লকপা য়াই হায়রি।

চাইনিস প্লেনশিং ইথৎ অদুগী টেরিটরিএল এয়র স্পেসতা চঙবদি লৈতে। টাইৱানগী টেরিটরিএল এয়র স্পেস অদু মসিগী সমুদ্র মপানদগী নোটিকেল মাইল ১২ ফাওবা শন্দোক্না লৈরিবনি। য়ুএস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা চাইনাদা টাইৱানবু কিহনবগী থৌওং লেপ্পনবা আপিল তৌখ্রে।

পেলোসিগী টাইৱান খোঙচৎকী থৌরাং অদুবু খঙবা সোর্স অহুমগী মতুং ইন্না মহাক্না লাক্লিবা চয়োল খরা অসিগী মনুংদা ইথৎ অদুদা খোঙচৎ অমা চৎননবা থৌরাং লৈ। কংগ্রেস অতৈ মেম্বর অমসুং য়ুএসকী হান্নগী ওফিসল কয়া চহী অসিদা টাইৱানদা চৎপা লৈখ্রবসু পেলোসিগী খোঙচৎ অদু চহী ২৫ গী মনুংদা য়ুএসকী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী লো মেক্করনা ইথৎ অসিদা চৎপা খোঙচৎ ওইগদৌরিবনি।

# পাপুৱা ন্যু গিনিগী মীখলগা মরী লৈনবা ভাইওলেন্স য়ুএননা কন্দেম তৌখ্রে




পোর্ট মোরিসবে, জুলাই ২২ (এজেন্সী): পাপুৱা ন্যু গিনি (পিএমজি) গী নেসনেল ইলেক্সনদা হন্দক্তা থোকখিবা হাৎন শুনবা অমদি অমাঙ অতা থোকহনবগী থৌওংশিং য়ুএননা শগোলশেল নুমিত্তা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

সাউথ ৱেষ্ট পেসিফিক ইথৎ অদুগী হাইলেন্দ রিজনদা মখা তানা সেক্যুরিটিগী ফিভম শোকচিল্লক্লিঙৈ মরক্তা মীখলগা মরী লৈননা থোক্লক্লিবা ভাইওলেন্স খুদক্তা লেপহন্ননবা লৈবাক অসিগা মরী লৈনবা য়ুএনগী টিমনা আপিল তৌখ্রে।

গভর্নমেন্ট সোর্সশিংনা ভাইওলেন্স অদুদা মীওই কয়া শিখ্রে, নুপী কয়া রেপ তৌখ্রে অমসুং প্রোপর্টি অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং পাক শন্না মাঙহন তাকহনখ্রে হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

য়ুএনগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, য়ুএন ইন পিজিনা মীখলগা মরী লৈনবা ক্রাইমশিংগী মতাংদা য়াম্না থুনা ইনভেষ্টিগেসন চথুনবা অমদি থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবশিং প্রোজিক্যুট তৌননবা আপিল তৌরি।

এক্তিং য়ুএন রেসিদেন্ট কোওর্দিনেটর দাক ৱেজনরনা হায়, মীচম কয়া তমথীনা হাৎপা, য়ামদ্রবদা নুপী মচা নিপান য়াওনা নুপীশিংগী মায়োক্তা হঙ্গোইনিংঙাই ওইরবা সেক্সুয়েল ভাইওলেন্স চথুখিবগী রিপোর্টশিং অমদি অয়াম্বনা নুপী অঙাংশিং ওইদুনা মীওই লিশিং কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা চেলহনখি হায়বা ৱাফমশিং অসি মহাক্না য়াম্না হকচিন্না লৌই।

মসিগী শাথিরবা ভাইওলেন্স অসিনা লমদম অদুদা মীওইবগী হক অমদি রুল ওফ লো করিসু লৈতনা লৌরে হায়বসি উৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

লমদম অদুদগী লাকপা রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না বেলোট শেমদোক শেমজিন তৌবা অমদি বেলোট বোক্স হুরানবনচিংবা লৈবাক অদুগী প্রোভিন্স খরদা থোক্লিবা থৌদোকশিংনা মীয়াম্বু থম্মোয় কায়হল্লে অমদি উংখৎনবসু হেনগৎলে। ভোটিং প্রোসেসতা তংতাবা ফিভম অমা লৈত্রিবদু মরু ওইনা ওর্গনাইজেসন, প্লানিং শোনবা অমদি কাঙলূপ মশেলগী মরক্তা অমগা অমগা য়েংথিনবা অসিনা থোকহনবনি হায়রি।

মফম খরদদি ভাইওলেন্স অদু অদুক্কী মতিক শাথিবা ওইবনা হায়রিবা মফমশিং অদুদা দিমোক্রেটিক প্রোসেস অপুম্বা ফেল ওইহনবা য়াই হায়বগী অকিবা ফোঙদোক্লখি।

# রিও পুলিসনা ফাবেলাশিংদা রেইদ চথুবদা ১৮ শিরে



সাও পাউলো, জুলাই ২২ (এজেন্সী): ব্রাজিলগী সিটি রিও ডি জনৈরোদা লৈবা অলমাওগী ফাবেলাশিংদা ওপরেট তৌরিবা ক্রাইম গ্রুপ অমদা টার্গেট তৌদুনা পুলিসনা চথুখিবা রেইদ অমদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৮ শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিস স্পোক্স পার্সন ইবান ব্লাসনা শগোলশেল নুমিত্তা প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা মশাগী চহী ৫০ শুরবী নুপী অমা য়াওখি। মহাক রেইদ অদুদা হায়দোরকপা নোংমৈ মরুনা পানখিবনি। মহাক্তা নত্তনা পুলিস ওফিসার অমসু রেইদ অদুদা শিখি। ওফিসার সামরিনা শরুক য়াখিবা অমসুং হেলিকোপ্টর মরি অমসুং আর্মর ভেহিকল তরানা মতেং পাঙখিবা ওপরেসন অদুদা পুলিস ওফিসারশিং অদুবু হাৎপগী মরাল শীখিবা সস্পেক্ট মরি ফাখি। মফম অদুদা ওপরেট তৌরিবা ক্রিমিনেল রিং অদু দ্রগ ট্রাফিকিংদগী রিও ডি জনৈরোদা চঙলকপা সিটিগী কার্গো ট্রকশিংদগী পোৎচৈশিং নম হাদুনা লৌবগী থবকশিং ফাওবা চথুরক্লে হায়রদুনা ব্লাসনা লমদম অদুগী ফিভম হৌজিক অরাইবা ওইদে হায়খি।

প্রেস কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা রিওগী মিলিটরাইজ পুলিসকী স্পিসল ওপরেসন বট্টালিয়নগী লেফটনেন্ট কর্নেল উইরাটো নামিমেন্টো হারৈরোনা হায়খি, মদুদি শগোলশেল নুমিত্তা অতৈ ফাবেলাশিংদা চঙদুনা গাড়ী কয়া হুরান্নবা থৌরাং তৌখিবা গেঙ মেম্বর কয়া ফাননবগী পান্দমদা ওপরেসন অদু চথুখিবনি।

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)**

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE FOR OBJECTION**

**Imphal, the 22nd July, 2022**

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Football Club Imphal Jiribam Road Sporting Union (FCIJRSU)"** Address at **Patsoi Part-III** Imphal West on 20-07-2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Patsoi**".

In the matter, Notice for objection is circulated/ notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/ Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/9496/23

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF STATE COUNCIL OF EDUCATIONAL RESEARCH AND TRAINING**

**ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE**

Imphal, the 21st July, 2022

No. 30/1/22-SCERT(EXAM): The admission test to the 2(two) year Diploma in Elementary Education (D.El.Ed.) course for the academic session 2022-2024 to the 9 (Nine) DIETs viz. Imphal East, Imphal West, Kakching, Churachandpur, Moirang, Senapati, Chandel, Tamei, Ukhrul and also to the 2(two) year Diploma in Elementary Education course (D.El.Ed.) in Hindi for the academic session 2022-2024 at Hindi Teacher Training Institute, Imphal scheduled on 24th July, 2022 is postponed to 07th August, 2022 (Sunday). The last date of issue and form submission is also extended upto 30th July, 2022.

2. Further all those class XII appearing candidates from any Board/Council may also submit application form to their respective DIET Centre. However their selection, if qualified in the written test, shall be strictly provisional and subject to the produce of Marksheet & Provisional Certificate of passing class XII at the time of admission.

3. This issues in pursuance of Govt. approval conveyed vide letter no. ADM1- 3013/2/2022-SCERT-SCERT-Part(1) dated 21st July, 2022.

**Sd/- H. Gyan Prakash**
**Director, SCERT,**
**Government of Manipur**

HL-B/7762/22,23

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: HEALTH DEPARTMENT**

**[illegible] / NOTIFICATION**

Imphal, the 22nd of July, 2022

MED-301/2/2021-HS-HEALTH-Part(1): In continuation to this Government Notification of even number dated 21/07/2022 and in order to meet with the timelines of National Medical Commission for obtaining Letter of Permission , it is hereby notified for information to all the concerned that Interview for appointment to the post of Senior Residents/ Demonstrator in 11 remaining Departments/subjects of Churachandpur Medical College is hereby scheduled on 25th July, 2022 from 3:00 P.M. onwards at the Office Chamber of Chief Secretary, Government of Manipur, Manipur Secretariat, South Block, Babupara, Imphal west.

2. Further, in pursuance of NMC Notification No. NMC/MCI-23(I)/2021-MED dated 14th February, 2022 and as per Directorate letter no. 104/CMC /DHS-2021 (pt -1), dated 08/07/2022 , the list of candidates eligible to appear before the Selection Committee along with time schedule for the interview is enclosed as Annexure .

3. All candidates shall bring their original testimonials / educational & professional registration certificates and experience certificates as well. They shall assemble at the Conference Hall, Manipur Secretariat, South Block (Old), Babupara 1 (one) hour prior to the schedule for interview.

4. The above mentioned Annexure may be downloaded from Departments website http://manipurhealthdirectorate.mn.gov.in.

**5. Eligible candidates who could not attend the Interview held on 21/07/2022, may contact the undersigned with reasons in case of willingness to appear before the Selection Board on 25th July, 2022.**

**Sd/- Dr. Yumnam Suraj Singh**
**Deputy Secretary (Health &FW)**
**Government of Manipur.**
**Mob: 9774435820**
**Email: yumnamsuraj@gmail.com**

HL-B/7763/23